CS (Main) Exam,2021

**HXS–B–MNP**

MANIPURI
( PAPER—II )

( LITERATURE )

| Time Allowed : Three Hours | Maximum Marks : 250 |
|---|---|

**ৱাহংশিংগীদমক অখন্নবা ৱারোল**

**পাউখুম ইদ্রিঙৈদা মখাদা পীরিবা ৱারোলশিং অসি চেকশিন্না পাগদবনি**

কাঙলূপ অনীমক (Section A and B) পূল্লগা ৱাহং নিপাল য়াওরি।

কেন্দিদেতশিংনা ৱাহংশিং অসিদগী ৱাহং মঙাগী পাউখুম পীগদবনি।

ৱাহং নম্বর **1** অমসুং **5** তি তঙাইফদনা খুমগদবনি। লেমহৌরিবা ৱাহং অহুম্না কাঙলূপ অনীমক্তগী অমমমদগী তাদনা খল্লগা পাউখুম পীগদবনি।

য়েৎথংবা লাপান্দা ইরিবা মশীংশিং অসি ৱাহংগী মার্কনি।

মণিপুরীদা (বাংলা ময়েক্তা) পাউখুম ইগদবনি।

পাউখুমগী অকক্লবা ৱাহৈ মশীং পীরম্লবদি মদু ইনগদবনি।

ইরল্লিবা পাউখুমশিং অদু মথং-মনাও নাইনা লৌগনি। শরুক খরদমক ইরম্লবসু মদু ককথৎলমদ্রবদি পাউখুম ওইনা লৌগনি। ৱাহংগা কোন্নবা পাউখুম চেদুদা (Question-cum-Answer Booklet) হাংহৌরিবা লামায়শিং অদু ময়েকশেংনা ককথৎলমগদবনি।

MANIPURI
( PAPER—II )

( LITERATURE )

| Time Allowed : Three Hours | Maximum Marks : 250 |
|---|---|

**QUESTION PAPER SPECIFIC INSTRUCTIONS**

**Please read each of the following instructions carefully before attempting questions**

There are EIGHT questions divided in two Sections.

Candidate has to attempt FIVE questions in all.

Question Nos. **1** and **5** are compulsory and out of the remaining, THREE are to be attempted choosing at least ONE from each Section.

The number of marks carried by a question/part is indicated against it.

Answers must be written in MANIPURI (Bengali script).

Word limit in questions, wherever specified, should be adhered to.

Attempts of questions shall be counted in sequential order. Unless struck off, attempt of a question shall be counted even if attempted partly. Any page or portion of the page left blank in the Question-cum-Answer Booklet must be clearly struck off.

## SECTION—A

**1.** মখাগী ৱাহংশিং অসি ৱাহৈ *150* দগী হেন্দনা খুমগদবনি : 10×5=50

*(a)* খ্বাই নোংজেং পিবানা তাউহুইরেং অহনববু করিগীদমক তেন্না কাপখিবনো? মরম পীদুনা ইয়ু।

*(b)* নোংবাল্লোন পীতঙঙানা খোইমোম লাইরেম্বী করম্না ওইখিবগে? মরম পীদুনা ইরম্মু।

*(c)* 'সমসোক ঙম্ব'দা য়েক্লিবা গরিবনিৱাজ মহারাজগী লালগী থৌশিল হৈবগী মশক অদু শিংথাদুনা ইয়ু।

*(d)* 'চন্দ্রকীর্ত্তি জিলা চঙবা'দা মাইবমচা তাম্রসিংহনা নিংথৌগী পায়ম পুক্লিংগী অৱাববু মতৌ করম্না কোকহনখিবগে হায়বদু মচাতানা ইরম্মু।

*(e)* 'ধনঞ্জয় লাইবু নীংব' লাইরিকতা য়েকলিবা লাইনীংবগী মওং মতৌ অদু নশাগী লোন্দা মরীক চুম্না ইরকউ।

**2.** ৱাহংশিং অসি লোইনা খুমগদবনি :

*(a)* নাউথিংখোংনা করম্না ফম্বাল কাখিবগে? মহাক্না ফম্বাল কাবদা মতম অদুগী লৈঙাক্লোনগী ওইবা হৈশিংবা থৌশিলগী মশকশিংদু নৈনদুনা তাকউ। 7+13=20

*(b)* 'থৌৱান থাবা হিরান'দা চকপা শম্ফবী অমদি চীংখৈ থানবী অনীগী পুন্সিনা পীখম্নখিবগী মরম করিদগীনো? শন্দোক্না ইয়ু। 15

*(c)* কৈকেয়ী মহারাণীনা করিগীদমক মহারাজ দশরথগী মফমদা বর নীখি? থৌদোকসিদা উবা ফংলিবা কৈকেয়ীগী ৱাখল মীৎয়েং অদু শন্দোক্না নৈনরম্মু। 5+10=15

**3.** ৱাহংশিং অসি লোইনা খুমগদবনি :

*(a)* 'চন্দ্রকীর্ত্তি জিলা চঙবা'দা মতম অদুগী নিংথৌ পাল্লিঙৈগী লৈঙাক্লোনগী মশক উৎপগা লোয়ননা নাৎকি ওইবা চৎন লোনচৎশিংগী মরমদা মরিক চুম্না ইয়ু। 10+10=20

*(b)* 'রামায়ণ আদিকাণ্ড'দা নিংথৌ দশরথনা করম্না রামবু মপারী ওইনা ফংজখি অমদি সীতানা রামগী লোয়নবী করম্না ওইরকখিবগে? শন্দোক্না ইয়ু। 15

*(c)* ''তমফা নঙকি চিঙ্গু লাইফম লেনপু খাপা মরালয়ায়তা মৈনা ৱায় তাংনা শমনা তোয়তাওনরিয়ে।''

পাম্বোইবীবু খাবা মরানয়াইদা খুভম য়াদুনা লাৎলকখিবগী মপুংফাবা মরমশিং নৈনদুনা তাকউ। 15

**4.** ৱাহংশিং অসি লোইনা খুমগদবনি :

*(a)* ''তাংজা শম্ফবীনা থৱায় মিরেল পায় চিম্বাল য়েম্থিনম চরৈ ময়িনফিবু ইনঙমদ মোম্নু তাংজা মশমশিবু কিঙমদনা য়োইবু কোরৌ নোংবু য়েং মালেম লৈবু য়েংন মীকপখিয়ে।''

তাংজা শম্ফবীনা করি মরমগী অসুক ৱানা মীকপখিবনো? মরী লৈনবা থৌদোকশিং মরিক চুম্না নৈনৌ। 20

*(b)* 'সমসোক ঙম্ব'দা য়ুম্ফম ওইরগা অৱা লৈবাক্না মণিপুরগা লৈনরম্না মরী অমসুং শা-লানগী ওইবা ফিভমশিংদু শন্দোক্না ইয়ু। 15

*(c)* 'পাম্বোইবী খোঙ্গুল'দা য়াওরিবা মৈতৈগী অরিবা নাৎকি ওইবা চৎন লোনচৎশিংগী মরমদা নৈনৌ। 15

## SECTION—B

**5.** মখাগী ৱাহংশিং অসি ৱাহৈ *150* দগী হেন্দনা খুমগদবনি : 10×5=50

*(a)* 'অনৌবা থুংলবা জীব'দা কবিনা মীওইববু শাদগীসু হেন্না শাথীবা, নৌনা থুংলবা জীবনি হায়রিবগী মরম শন্দোক্লা নৈনৌ।

*(b)* নীলকান্তগী 'মণিপুর' শৈরেংবু মোদর্নিজমগী খুৎইনি হায়রিবগী মরম মরীক চুন্না নৈনৌ।

*(c)* 'নোংথক খোংনাং'দা এলাংবম দীনমণিগী ফাগী অমসুং করেন্নবগী খুৎইগী মরমদা নৈনৌ।

*(d)* সংস্কৃতি হায়বসি মী অমগীসু, সমাজ অমসুং জাতিগীসু ওইবা পুন্সি মরেন অদুনি হায়বসি 'সমাজ অমসুং সংস্কৃতি' ৱারেংদা য়ুম্ফম ওইরগা শন্দোক্লা তাকউ।

*(e)* 'জর্জ্জ সাহেবকী ইমুং'দা সমরেন্দ্রনা য়েক্লিবা অরুণাগী চরিত্রবু মপুংফানা শন্দোক্লা তাকউ।

**6.** ৱাহংশিং অসি লোইনা খুমগদবনি :

*(a)* 'ঈম্ফাল অমসুং মাগী ঈশিং নুঙশীৎকী ফীভম'গী লোইরকপদা পাচানা থানিলবু অমম্না মপৈ মপৈদুনা ঈম্ফালগী ঈশিং নুঙশীৎকী ফীভমনি পাউদমহল্লিবগী মরমশিং মরিক চুন্না ইয়ু। 20

*(b)* জি. সি. তোংব্রাগী মেত্রিক পাস দ্রামানা মতমগী মীওইবা সমাজদা পীনিংলিবা পাউজেল অদু করিনো তাক্লগা শন্দোক্লা নৈনরম্মু। 15

*(c)* 'কংসবধ' কাব্যদা কংসগী তালোই অস্তি অমসুং প্রাপ্তি মখোয় অনীগী ৱাখল মিৎয়েং অদু নৈনরকউ। 15

**7.** ৱাহংশিং অসি লোইনা খুমগদবনি :

*(a)* 'শমু খোংগী বিচার'দা য়ুম্ফম ওইরগা মোইরাংগী মতম অদুগী লৈঙাক্লোন অমসুং ৱায়েন বিচারগী মরমদা মরিক চুন্না নৈনৌ। 10+10=20

*(b)* উরিরৈনা মপুং ওইনা শাগৎপা কমলগী উপন্যাসতা 'মাধবী' মীংথোল পীরম্বগী মরমদু মপুং ফানা নৈনদুনা তাকউ। 15

*(c)* ''কাব্যগী বিচার তৌবা তারবদি খন্না থোইবী ৱারী অসি অতাঙবা মহাকাব্য অমনি হায়দবা ঙমদে।''

ৱাফম অসি 'খন্নাথোইবী ৱারী অমসুং মহাকাব্য' ৱারেংদা মিৎয়েং থন্নগা নৈনৌ। 15

**8.** ৱাহংশিং অসি লোইনা খুমগদবনি :

*(a)* 'লমন' উপন্যাসগী তমুবীগী চরিত্রদা উপন্যাসকারনা মাগী অপান্না অনিংবা খুদিংমক হাপচিল্লগা য়েকলকই হায়বসি য়ানিংব্রা? নশাগী মোত ফোঙদোক্কুনা নৈনরম্মু। 20

*(b)* 'জহেরা' উপন্যাসগী নায়ক-নায়িকানা নুংশি পন্থুং য়ৌবা ঙমদনা খামু থক্তা অৱা পোলোই ওইখিবগী মরমদু শুগায়না তাকলকউ। 15

*(c)* 'অরেপ্পা মরূপ' করম্না মখলগী দ্রামানো? দ্রামাসিগী ৱারীপরিং শাগৎপদা উবা ফংলিবা হৈশিংবা মগুণ অদু মচাতানা ইরম্মু। 15

★ ★ ★